# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-05-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সহৈবুং খুল মপাদা ঙরাং শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা লম্বীদা লাকপা গাড়ি অনিদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই অহুম লৈখিদবা অদুগা অতোপ্পা মরিনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাককী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবকসু মখা তানা চখরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লাঙ্গোলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী ফাউন্দর চেয়ারমেননানি হায়বা মীওই অমা অমসুং লুপ অসিগী মীওই মরি ফারে। মখা তানা নুমিৎ অসিমক্তদা মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা লিলোং চজিংদগী য়ু.এন.এল.এফ (পি) গী মাওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অহুম, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩২,৫০০, আই.দি. কার্ড অমসুং রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা স্ক্রোপিয়ো গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লমশাং বজারদগী মীওই অমা য়ু লিটর ২৫০ গা কোন্ননা ফাখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক মীওই অদু লমশাংগী কাংচুপ এক্সাইস দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**এট্রেক (এল)ঃ** নোনে জিলাগী মনুং চন্না খৌপুম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বিষ্ণুপুরদগী খৌপুম চৎপগী লম্বীদা লৈবা জোজাংতেক অমসুং লোংসাই পার্ট টু মপাদা ঙরাং শকখঙদবশিংনা এস্লুস তৌরকপগী থৌদোক্তা মীওই অমা লৈকিদ্রে।

অতোপ্পা অনি অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং তরুকলোম তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অনি অদু লোংমাইগী লন্নাই হোস্পিতাল অমদা লায়েংলবা মতুং ফিভম লুশিল্লকপদগী ইম্ফালদা পুরক্কুনা মখা তানা অনা লায়েং চত্থরি। থৌদোক অদু ঙরাং মখোয় অহুমনা লৈমতাক তুরেল মপানদা লৈবা মখোয়গী ফার্ম অমদা অহিং য়ারেকবা লাকপগী লম্বীদা থোকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অহেনবা পুলিস অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি।

**অসামঃ** অসাম সরকারনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ বিল, থা অসিগী ২৬ তা রাজ্য বিধান সভাদা পুথোক্লগনি। রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্বস শর্ম্মনা হায়-অসাম বিধান সভাগী অখন্নবা মীফম অমা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোকবা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৱারেপ লৌরে।

মীফমগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২৬ তা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ বিল সভাদা পুথোক্কনি। বিল অসিনা লুহোংবগী চপ চাবা চহি লেপথোকপা, নুপী লোনবা থিংবা, ইমুংগী করম্বা মীওইনা শম্বতি ফংহৌগদগে লেপথোকপনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়া কোনশিনগনি। মহাকা হায়-মসিদা জাৎ-বিজাৎ অমসুং ধর্ম্মগী ৱাফম লৈতে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক মঙাগী নুমিৎ তরুকনিগী ওইবা খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস (য়ু.এ.ই), নেদরলেন্স, স্বিদেন, নোরৱে অমসুং ইতালিদা চৎকনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-সিবি জিওরসনা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী অহানবা শরুক্তা হয়েং য়ু.এ.ইদা থুংগনি। তুংদা, য়ু.এ.ইগী রাস্ত্রপতি-সৈখ মোহমদ বিন জয়েদ অল নহয়ানগা উন্নগনি। অখন্নবা পাউ অমগী মতুং ইন্না খোঙচৎ অসিদা ইনর্জি সেক্যুরিতি হায়বা হীরমদা মীৎয়েং থমদুনা থবক কয়া পায়খৎকনি। মখা তানা এল.পি.জি. অমসুং ষ্ট্রেটেজিক পেত্রোল্লিয়ম রির্জাবসকী লমদা য়ান-ৱারোলশিংসু সহি তৌনরবা য়াই।

সেক্রেটরি জিওরসনা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী অনিশুবা শরুক্তা নুমিৎ অসিমক্তদা নেদরলেন্সতা থুংগনি। মসিনা ইং ২০২৭ কী মতুংদা প্রধান মন্ত্রিগী ওইনা অনিশুবা নেদরলেন্স খোঙচৎনি। মখা তানা খোঙচৎ অসিগী অহুমশুবা শরুক্তা প্রধান মন্ত্রিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা স্বিদেনগী গোটেনবার্গতা থংগনি। খোঙচৎ অসিগী মরিশুবা শরুক্তা প্রধান মন্ত্রিনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোরৱেদা থুংগনি। অরোইবা শরুক ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইতালিদা চৎকনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-মনিপুর, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেস, অসাম, মিজোরাম, ত্রিপুরা, সিক্কিম অমসুং মেঘালয়দা ঙসি নোং কন্না চুরবা য়াই।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিং-দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, বিহার, ছাতিসগর, চান্দিগর, উরিষ্যা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং অতৈ রাজ্য খরদসু অখাক অরাওগা লোয়ননা ঙসি নোং চুগনি। ঝরখন্দ, করনাতক অমসুং মসিগা থংনবা রাজ্য খরদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদসু ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

**ত্রম্পঃ** আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প ঙরাং চাইনাগী বৈজিংদা থুংখ্রে।

রাস্ত্রপতি ত্রম্পনা চাইনাগী রাস্ত্রপতি-সি.জিন পিংগা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নগনি। নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম অদু ঙসিদগী হৌগনি।

মীফম অদুদা লান নংলিবা ইরানগী ফিভম, তাইৱানদা আমেরিকানা খুৎশু খুৎলায় য়োনবগী ৱাফম, লল্লোন ইতিক, আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমদি মালেমগী খ্বাহদগী শেল পায়বা লৈবাক অনি-আমেরিকা অমসুং চাইনাগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী ফিভমগী মতাংদা মীফম অদুদা খন্নগনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিক ক্রিকেটকী ঙরাং রাইপুরগী সহিদ ভির নরায়ন সিংহ ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুনা কোলকাতা নাইট রাইদরসপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

হান্না বেটিং তৌখিবা কোলকাতা নাইট রাইদরসনা ওভর ২০ দা ৱিকেট মরি তুরগা রন-১৯২ লৌখি। মদুগী পাউখুদা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুনা ওভর ১৯ গা বোল অমদা ৱিকেট মরি তুরগা রন-১৯৪ লৌবা ঙমখি।

ঙসি ধরমশালাগী হিমাচল প্রদেস ক্রিকেট এসোসিয়েসন ষ্টেদিয়মদা কিংলস এলভেন পঞ্জাবকা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা শান্নগনি। মেটচ নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কাংপোকপী জিলাগী কোটজিম অমসুং সহৈবুং খুলদা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্ব্যুস চথুরকপদা চর্চ লুচিংবা অহুম লৈখিদবা, থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিংগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউ চে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

জর্ম্মন রোড এম্বুশঃ অহুম শিরগা মঙা শোকখ্রে, সি.এমনা কন্দেম

তৌখ্রে, শিজদা লায়কন্নরিবা অহুমগী ফিভম চীফ মিনিস্তরনা লুচিংদুনা য়েংশিনখ্রে, কুকি ইনপিগী পুং ৪৮ গী সটদাউন হৌখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, সনা লৈবাক অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চর্চকী লুচিংবা অহুম এম্ব্যুসতা লৈখিদবা অদুবু এন.এস.সি.এন অমসুং জে.য়ু.এফ কাংলুপনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-নিট য়ু.জিগী পেপর লিক ওইবগী কেসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা মীওই মঙা ফাগৎলে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেড চথখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি টেরোরিষ্টশিংগী এম্ব্যুসতা মীওই অমা শিরে, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং দ্রাইভর শোক্লে হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা স্মার্ট পোলরিজ মিটরগী মতাংদা লান্না পাউ শন্দাকপীগনু হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনরেল মেনেজর-মংশাতাবম চন্দ্রমণিননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মেতিওরোলোজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না য়ুনিয়ন মিনিস্তর-জিতেন্দ্র সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম্বুসকী থৌদোক্তা চর্চকী লুচিংবা অহুম লৈখিদবগী পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং তাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। থৌদোক অসিবু য়ু.এন.সি. অমসুং এন.এস.সি.এননা কন্না য়ানিংদবা

ফোংদোকখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইলেক্ট্রোনিক্সকী মরমদা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা হেন্দস ওন ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম, তমেংলোং কলেজতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।